# লান থোক্লকগদি নোর্থ কোরিয়া পূমতুম তুমগনি - য়ু এস



ৱাশিংটন, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
খূৎলায় চাংয়েংশিংগী মতাংদা মুক্লবা অমসুং লৈখাই তানদবগী ফিভম লৈরিবসিদগী লান অমা থোক্লকপা তারবদি নোর্থ কোরিয়া পূমতুম তুমগনি হায়না য়ু এসনা শগোলশেন নুমিৎতা কিম জোং-উনগী রেজিমদা চেকশিনৰা হায়খ্রে লোয়নননা অকন-অরিংগী থবক থৌওং কয়া চথবগী চৈরাক পীবা ওইনা পিয়োংয়াংগা শেল-থুম অমসুং ডিপ্লোমেটিক মরী পূন্বা কক্ননবা লৈবাক খূদিংমক্তা অপীল তৌখ্রে।

নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল চাংয়েংগী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোকপা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইমরজেন্সি মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা ৱর্ল্ড বোদি অসিদা লৈবা য়ু এসকী অম্বেসেদর নিকি হেলিনা হায়খি, য়ু এসকী মপূং লমদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙম্বা খ্বাইদগী নৌবা বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েংগা লোয়নননা পিয়োংয়াংনা মালেমদা থুনা লান থোকহন্নবা শিল্লে।

মিসাইল অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা নোর্থ কোরিয়াগী সাইন নিদগী থাগৎখি অমসুং কিলোমিটর ১০০০ রোম পাইরম্লগা জপানগী ইকনোমিক এক্সক্লুসিভ জোনগী মনুং চন্না সী ওফ জপানদা তাশিনখি।

করিগুম্বা লান থোক্লকপা তারবদি মদু ঐখোয়না ঙরাং উখিবগুম অকন-অরিংশিংবগী থৌওংশিং লেপ্তুনা চথবদগী ওইগনি। করিগুম্বা লান লাক্লবদি নোর্থ কোরিয়ন রেজিমবু মপূং ফানা মাঙ-তাক্কনি হায়বসি কাওরোইদবনি হায়না হেলিনা মীফমদুদা হায়খি।

'নোর্থ কোরিয়াগী ডিক্টেটরনা ঙরাং মহাক্কী অপাম্বা থৌওং চথদুনা মালেমবু লানগা নকশিন্নহল্লে, ঐখোয় লানদগী লাপত্রে হায়বা য়াই। ঐখোয়না নোর্থ কোরিয়াগা লান শোক্লগে হায়না অমুক্তা খনখিদ্রি অমসুং ঙসিসু ঐখোয় লান শোক্লবা পামদে' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়াগী মিসাইল লোঞ্চ অদুগী মতুংদা য়ু এস, জপান অমসুং সাউথ কোরিয়ানা সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ইমরজেন্সি মীফম অমা কৌখি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা টেলিফোনদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপীংগা ৱারী শানখি। পনবা য়াবদি, চাইনা অসি নোর্থ কোরিয়াগী ইকনোমিক লাইফলাইন অমনি। ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট সি জিনপীংদা পিয়োংয়াংদা প্রেসর হেন্না পীনবা অমসুং নোর্থ কোরিয়াদা শুংদোক্ত্রিবা থাও পীবা লেপ্নবা তকশিনখি।

টেলিফোন কোলদুগী মতুংদা থাবা ত্বীট অমদা ট্রম্পনা নোর্থপু চৈরাক পীনবগীদমক্তা অহেনবা সেঙ্কসন কয়া লাক্লগনি হায়খি।

ঐখোয়না মল্টিলেটরেল সেঙ্কসনশিং লেপ্তুনা থম্বগুম নোর্থ কোরিয়ন রেজিমনা অনৌবা অমসুং হেন্না মতিক ময়ায় লৈবা মিসাইলশিং লেপ্তুনা চাংয়েং তৌরি। অসুম তৌদুনা লৈবাক অসি ফঙ্কসনেল ন্যুক্লিয়র পুক্কে অমা শাগৎপগী মায়কৈদা লেপ্তুনা চঙশিল্লি হায়না হেলিনা ফোঙদোকখি।

'নোর্থ কোরিয়ানা মিসাইল সিষ্টেমশিং পুথোক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরিবসি মালেম পূম্বনা কিম জোং-উনগী রেজিমবু মখা তানা ইন্থোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা তাকপনি।'

## হান্নগী মিলিটরি ওফিসলশিং কনভিক্ট তৌখ্রে

ব্যুনস এরীজ, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
'এঞ্জেল ওফ দেথ' হায়না খঙনবা হান্নগী অর্জেন্টাইন নেভিগী কেপ্টেন অলফ্রেদো অষ্টিজ লৈবাক অসিদা মিলিটরি জন্টা লৈরিঙৈ কুমজা ১৯৭৬ তগী ১৯৮৩ ফাওবগী মতমদা কি-হঙ্গোইনখিবা টোর্চর সেন্টর অমদা ক্রাইম কয়া চথখিবগীদমক পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রে।

মহাক্কা লোয়নননা হান্নগী নেভিগী ওফিসর জোর্জ অকোষ্টা মীওই অনী অসি ঈ এস এম এদা চথখিবা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী কেস ৪০০ রোম কুপ্ন া থিজিল্লিবা অচৌবা ট্রাইঅল অমদা মরাল শীখিবা মীওই ৫৪ গী মনুংদা য়াওখি। ঈ এস এম এ অসি রেজিম অদুগী মীনা খ্বাইদগী হঙ্গোইনখিবা টোর্চর সেন্টরশিংগী মনুংদা অমা ওইখিবা অর্জেন্টিনাগী হান্নগী নেভল স্কুল অমনি। মখোয়নিমক মমাঙগী ট্রাইঅলশিংদা পুন্সি চুপ্পা জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রবনি।

ঙরাং পূন্না মীওই ২৯ দা লাইফ টর্ম পীখি। মীওই ১৯ না চহী নিপানদগী ২৫ ফাওবা জেলদা লৈনবগী চৈরাকশিং পীখি। মীওই ৬ তি মরাল লৈতে হায়না লাউথোকখি। রাইটস গ্রুপশিংগী মতুং ইন্না, অর্জেন্টিনাগী 'ডর্টি ৱার' দা মীওই ৩০,০০০ কিদনেপ তৌখি, ওৎ-নৈখি অমসুং হাৎখি। ভিক্টিমশিংদুদা মোন্টোনেরো গুরিলাশিং, লেবর য়ুনিয়নগী লীদরশিং, মহৈরোয়শিং, লেফটিষ্ট সিমপেথাইজরশিং অমসুং থৌদোক খরদা মখোয়গী মরী-মতাশিং অমসুং মরুপ-মপাংশিং য়াওখি।

# শ্রী লঙ্কাদা নোংলৈ নুংশিৎ অমসুং নোংদা মীওই ৪ শিরে, কয়া অমা শোক্লে



কলম্বো, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
শ্রী লঙ্কাগী মফম কয়াদা মতিক ময়ায় লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎ শিৎচিল্লকখিবগা লোয়নননা নোং কন্না চুবদগী য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে, এয়র ট্রাফিক অমসুং ইসেন্সিয়ল সর্ভিসশিংদা অকায়বা থোকহনখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

নোং-চীংগী ফিভম ফৎতবনা মরম ওইদুনা চেন্নাই অমসুং বেঙ্গলোরদগী পাইরকখিবা কলম্বো য়ৌগদবা শ্রী লঙ্কান এয়রলাইন্সকী ফ্লাইটশিং মনুং হঞ্জিনবা সাউথ হম্বানটোটাগী মাটালা এয়রপোর্ট পাংনা থৈখি। নোংলৈ নুংশিৎতুনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল, ৱেষ্টর্ন অমসুং সাউদর্ন প্রোভিন্সশিংদা স্কুলশিং থোঙ লোলহনখ্রে হায়রি।

অয়াম্বনা সেন্ট্রেল হিল ডিষ্ট্রিক্ট-শিংদা য়ুম কয়া অকায়-অতোয় নংখি অমসুং মৈ পীবা লেপখি। ঙরাং অহিং নোং কন্না চুবা অমসুং নুংশিৎ কন্না শিৎপদগী য়ামদ্রবদা মীওই মরি শিখ্রে। ঈথৎ অদুগী অয়াম্বা শরুকশিং নুংশিৎশিংদুগী চৈথেং নংখি। মীশিশিং অদু উশিং তেকথরকপদগীনি হায়রি।

কলম্বো নেসনল হোস্পিটালগী ওফিসলশিংনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ অশোক অপন নংবদগী লায়কন্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

ফিভম তাদ্রবা নোং-চীংগী ফিভমদুগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর রানিল ৱিক্রেমেসিনঘেনা হায়খি মদুদি, মহাক্না ওফিসলশিংদা নোংলৈ-নুংশিৎ অমসুং অকনবা নোংজুনা শোকহল্লবা ইমুং খূদিংমক্তা ইমরজেন্সিগী তেংবাং ওইনা লুপা ১০,০০০ পীননবা ডিরেক্সন পীখ্রে।

মিটিওরোলোজিকেল ডিপার্টমেন্টকী ৱারোল অমগী মতুং ইন্না, অকনবা নোংশিং, পুংদা কিলোমিটর ৬০ দগী ৭০ ফাওবা য়ৌবা অকনবা নুংশিৎশিং ঈথৎতুদা শিৎলকপা য়াই অমসুং মতমদুদা ঈথৎ অসিগী অকোইবদা লৈবা অরুবা অমসুং অথেনবা সীশিংদা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মওংদা ঈথক-ঈপোমশিং কল্লকপা য়াই।

নোং-চীংগী ফিভম ফৎলক্ত্রিবদু সাউথ-ৱেষ্টর্ন রিজনশিংদা ডিপ্রেসন অমা শেম্লকপদগী থোকখিবনি। মদু কেপিটেল কলম্বোদগী কিলোমিটর ২০০ রোম লাপ্পা মফমদা শেম্লকখিবনি।

লেন্দস্লাইদ থোক্কনবা সেন্ট্রেল হিল এরিয়াশিংদা মীশিংবু শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহন্নবগী খোঙথাংশিং লৌখৎলে হায়না ডিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

# থাইলেন্দগী বুদ্ধিষ্ট লাইশঙদা ফি থোংদবা মনিং ওনশিনবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী টুরিষ্ট ২ ফারে

বেঙ্কোক, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
থাইলেন্দদা য়ু এসকী সিটিজন অনী মফি শিথরগা লাইশঙ অমদা মখোয়গী মথুনশিং ওনশিল্লগা লৌবা পিকচর ওনলাইনদা থাগৎলম্বগীদমক ফাখ্রে।

টুরিষ্টশিংদুনা পিকচরদু বেঙ্কোককী মমিং লৈরবা ৱাট অরুন লাইশঙদা লৌখিবনি অমসুং মদু ত্বিটর অমসুং ইন্সটাগ্রামদা থাগৎখিবনি।

ইম্মিগ্রেসন ওথোরিটিশিংনা বি বি সীদা ফোঙদোকখি মদুদি চহী ৩৮ গী লেঙ্গাশিং ওইবা জোসেফ অমসুং ট্রাভিস দসিলভা কৌবা মীওই অনীদু ফাইন তৌরগনি অমসুং লো কায়না লৈরম্বগীদমক্তা মরৈবাক্তা থারগনি।

থাইলেন্দদা বুদ্ধিষ্ট লাইনিং লম্বীদা ইকায়খুম্নবা উৎতবা অমসুং অকায়বা ওই হায়না খন্নবা লমচৎ শাজৎশিংগী মতাংদা অকনবা লোশিং চৎনহল্লি।

টুরিষ্ট অনীদু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা বেঙ্কোক্কী দোন ম্যুয়াং এয়রপোর্টতা লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎনবা হোৎনরিঙৈদা ফাখিবনি।

থাই ইম্মিগ্রেসন পুলিসকী ডেপ্যুটি স্পোক্সমেন কর্নেল চোইং গ্রোন রিমপাদীনা বি বি সীদা হায়খি মদুদি মীওই অনীদু ওথোরিটিশিংনা ৱাথোক ওইরবা সোসল মীদিয়া পোষ্টতু থেংনবদগী ৱাটচ-লিষ্ট অমদা হাপচিনখ্রে।

মখোয়গী চার্জশিং মপূং ফারবা মতুংদা থাই ইম্মিগ্রেসন পুলিসনা মখোয়গী ভিজাশিং কক্লগনি অমসুং লো কায়না লৈরম্বগীদমক্তা মরৈবাক্তা থারগনি। লোয়নননা মখোয় থাইলেন্দদা অমুক হন্না লাকপা য়াদনবসু ব্লেকলিষ্ট তৌরগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি মদুদি মীওই অনীদু মীমাঙদা মফি থোংদবগী চার্জগা লোয়নননা বেঙ্কোক য়াই পুলিস ষ্টেসনদা পুরকখিবনি। ওফেন্স অসিগীদমক ফাইন ওইনা বাট ৫,০০০ (দোলর ১৫৩) থীনিংঙাই ওই।





## বৃটিশ মচা ১ মাইন শেংবদা শিরে

লন্দন, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
*সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকা লান্থেংননবা কর্দিশ ফোর্সশিংদা য়াওশিনখিবা বৃটিশ নুপা অমা রক্কাদা মাইনশিং শেংদোকপদা শিখ্রে।*

*পোর্টসমাউথতগী ওলিভর হোল কৌবা মীওই অদু সিরিয়াদা থা মরিরোম লৈরকখি। মহাক হৌখিবা থাংজদা কর্দিশ পীপলস প্রোটেক্সন য়ুনিটস (ৱাই জি পি) কা লোয়নননা থবক তৌমিন্নরিঙৈদা শিখিবনি হায়না কর্দিশ সোলিদরিটি কেম্পেইননা ফোঙদোকখি।*

*চহী ২৪ গী মীওই অদু চহী অহুম মখায় আই এসনা কন্ট্রোল তৌরকখিবা সিটি অদুদা থবক তৌরকখি অমসুং মাইন লৌথোকপগী থবক্তা পোকখায়রকপদগী ফিভম থীনা শোক্তুনা লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। মহাক লৈবাক্তুদা ৱাই পি জি ফাইটরশিংগা লোয়নননা লান্থেংমিন্নবদা শিখিবা তরেৎশুবা বৃটিশ মচানি।*

# পাকিস্টানদা লৈবা হক্কানি মিলিটেন্টশিংদা য়ু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথবদা ৪ শিরে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা পাকিস্টানগী চীং-মানগী বোর্দর পরিংদা লৈবা হক্কানি মিলিটেন্ট নেটৱার্ককী লোৎফম অমদা ঙসি য়ু এসনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথবদা মীওই মরি শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

করিগুম্বা কনফার্ম তৌরবদি মদু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা জান্যুৱারিদা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী পাকিস্টান মনুংদা য়ু এসনা চথবা অসিগুম্বা মখলগী মরিশুবা ষ্ট্রাইক ওইরগনি হায়রি।

পাকিস্টানি ইন্টেলিজেন্স ওফিসলশিং অমসুং লোকল গভর্নমেন্টকী ওফিসর অমনা হায়খি, মী তোংদবা এরিএল ভেহিকল অমনা সিনিয়র নেটৱার্ক কম্মান্দর অব্দুল রশীদ হক্কানিগী কম্মান্দ মখাদা লৈবা মিলিটেন্টশিংগী লৈফমগী কম্পাউন্দ তম্না মিসাইল অনী থাদখি।

ভিলেজরশিংনা অহানবদা ওথোরিটিশিংদা অপ্পর কুরম এরিয়াদা থোকখিবা ব্লাষ্ট অমগী মরমদা পাউদমখি হায়না ওফিসলশিংদুগী মনুংদগী অমনা হায়খি। ঐখোয়না মদু তুংদা ঐখোয়গী ছোর্স অমদগী য়ু এসনা হক্কানিশিংদা টার্গেট তৌদুনা দ্রোন ষ্ট্রাইক চথবনি হায়বা খঙলকখি।

শিখিবশিংদুগী মনুংদা কম্মান্দরদুসু য়াওখিবরা হায়বসি শেংনা খঙখিদে হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসলশিংনা হায়খি।

ট্রম্পকী অফঘানিষ্টান লানগী অনৌবা ষ্ট্রেটিজিদা হক্কানি নেট-ৱার্ককুম্বা পাকিস্টান মনুংদা বেজশিং লৈবা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা পাকিস্টানবু অকনবা ফিরেপ লৌহনবগী ৱাফম য়াওরি।

অফঘান পোলিসি রিভ্যু তৌখিবদগী য়ু এসনা ইস্লামাবাদতা হক্কানি নেটৱার্ককী মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা খ্বাইদগী কনবা খোঙথাং লৌখৎনবা তকশিল্লকখিবনি। হক্কানি নেটৱার্ককী মিলিটেন্টশিং অসি অফঘানিষ্টানদা লৈবা অমেরিকানশিংনা লূচিংবা নাটোগী ট্রুপশিংগী মায়োক্তা এটেকশিং চথবদা পাকিস্টানি লম শীজিন্নবগীদমক্তা থোইদোক্না মমিং চৎলি।

অমরোমদা ইস্লামাবাদনদি চার্জশিংসি য়াদবগা লোয়নননা কাবুলবু পাকিস্টানদা লৈবা টার্গেটশিংদা এটেক তৌবদা অফঘান টেরিটরি শীজিন্নরিবা মিলিটেন্টশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎতে হায়না মরাল শীরি।

পাকিস্টাননা চহী ১০ হেন্না শাথীরবা ইস্লামিক লালহৌ মায়োক্লরকখি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা কেপিটেল ইস্লামাবাদতা গনমেনশিংনা মাইনোরিটি সিয়াইট মুস্লিম মোস্ক অমদা এটেক তৌদুনা মীওই অনী হাৎখি। মোস্ক এটেক অদু ইস্লামিক ষ্টেটগ্রুপকা মরী লৈনবা সুনি সেক্টেরিয়ন গ্রুপ অমা ওইরিবা লান্ধর-ঈ-জংৱী অল-অলামিনা ক্লেম তৌখ্রে।



# ট্রম্পনা টেরেসা মে চৈ-থাংখ্রে

ৱাশিংটন, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
এন্টি-মুস্লিম প্রোপেগন্দা ক্রিটি-সাইজ তৌখিবগীদমক্তা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেবু ফোংনা চৈ-থাংখ্রে। মসিগা লোয়নননা ট্রান্স-এটলান্টিক মীচং লৈবাক অনীগী মরক্তা ডিপ্লোমেটিক্কী মুক্লবা ফিভম অমা লাক্লে হায়রি।

টেরেসা মেনা ঐঙোন্দা মীৎয়েং থমগদবা নত্তে তৌইগুম্বসুং য়ু কে মনুংদা থোক্লিবা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইরবা রেদিকেল ইস্লামিক টেরিরিজমদা ওইনা মীৎয়েং থমগদবনি হায়না য়ু এস প্রসিদেন্টনা য়ুমশকৈশগী নুমিদাংদা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

বৃটিশ ফার-রাইট গ্রুপ অমগী ডেপ্যুটি লীদরনা থাগৎপা ঈৰাং থোক্লিংঙাই ওইবা ভিদিওশিং প্রসিদেন্টনা ত্বিটরদা অমুক হন্না থাগৎপগী মতাংদা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরগী স্পোক্সমেননা ক্রিটিসাইজ তৌখিবগী পাউখুম ওইনা ট্রম্পকী পাউজেল অসি লাকখিবনি।

অদুম ওইনমক ট্রম্পনা টার্গেট তৌখিবা টেরেসা মেগী ত্বিটর হেন্দলদু বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টরগী নত্তে তৌইগুম্বসুং টেরেসা স্ক্রিভনর কৌবী নুপী অমগী ওইরমখি হায়রি। ঙাইহাক লৈরগা ট্রম্পনা ত্বীটতু মুথৎলগা নৌনা অমুক থাগৎখি। হন্দক্তি মেগী অচুম্বা হেন্দলগা লোয়নননা থাখি।

মিদ্দল ইষ্ট খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা জোরদানদা লৈরিবা মেনা ট্রম্পকী এটেক অদুগী মতাংদা খুদক্তা পাউখুম পীখিদে। মহাক শগোলশেন নুমিৎতা স্পীচ অমা পীগনি। মদুদা মহাক্না ব্রেক্সিটকী মতুংদা লমদম অদুদা মহাক্না য়ু কেগী ইথিল হেনগৎহন্নিংলিবদু খঙহনগনি হায়রি।

তৌইগুম্বসুং সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরাক্তসু চৎখিবা মহাক্কী খোঙচৎ অদু ট্রম্পকী থৌওংশিংগী মতাংদা হংবা ৱাহং কয়ানা ইনুং নুংঙাইহনদ্রি। অনৌবা ত্বীটতুগী মতাংদা পাউখুম অমা পীনবা ঙসি অঙনবদা হঞ্জিন হঞ্জিন হায়জবদা মেগী ওফিসলশিংনা য়াখিদে।

# পিয়োংয়াংগা মরী তৎননবা হায়খিবা য়ু এসকী অপীল রশিয়ানা য়াখিদ্রে

মোস্কো, নবেম্বর ৩০ :
পিয়োংয়াংনা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বলিষ্টিক মিসাইল অমা কাপখিবগী পাউখুম ওইনা নোর্থ কোরিয়াগা মরী তৎননবা য়ু এসকী মায়কৈদগী তৌখিবা অপীল রশিয়ানা য়াখিদ্রে।

ৱাফম অসি ঐখোয়না পামদবা মীৎয়েংগা লোয়নননা য়েংই হায়না ফোরন মিনিষ্টর সর্গি লভরোভনা বেলারসিয়ন কেপিটেল মিনস্কতা পাউমীশিংদা হায়খি হায়না রশিয়ন ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোক্লি।

অথিংবা থমদুনা প্রেসর পীবগী থৌওং অসি তশেংনা লোইরে হায়না মোস্কোনা হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোকখ্রে হায়না লভরোভনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু কিম জোং-উনগী রেজিম কাইহৌনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীখি অমসুং মালেম্না ইন্থোকপীরবা লৈবাক্তু বু ৱাশিংটননা থুগায়নবা থৌরাংলিবরা হায়নসু হংখি।

হন্দক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তৌখিবশিং অসি পিয়োংয়াংবু অতম্না অতৈ কা হেনবা থবক কয়া নমদুনা পায়খৎহন্নবগীদমক্তা পাঙথোকখিবা মাল্লি হায়না রশিয়াগী টোপ ডিপ্লোমেট অসিনা হায়খি।

'অমেরিকানশিংনা মখোয়না থল্লিবা পান্দমদু করিনো হায়বদু শেংনা খঙহনগদবনি। করিগুম্বা মখোয়না নোর্থ কোরিয়াবু থুগায়নবগী মরম অমা থিবা ওইরগদি মখোয়না মদু হেক্তা ফোঙদোক্কদবনি অমসুং অমেরিকান লীদরসিপনা মদু কনফার্ম তৌগদবনি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱাশিংটননা চেকশিনৱা পীরদুনা করিগুম্বা লান থোক্লকপা তারবদি নোর্থ কোরিয়াগী লীদরসিপ মপূং ফানা মাঙহনগনি হায়খি অমসুং মালেমগী লৈবাকশিংদা নোর্থ কোরিয়াগা ডিপ্লোমেটিক অমসুং লল্লোন ইতিক্কী মরী পূম্বা তৎননবা অপীল তৌখি।

ৱাশিংটনগী খ্বাইদগী নৌবা থ্রেট অসি নোর্থ কোরিয়ানা মসিগী অহুমশুবা আই সী বি এম চাংয়েং তৌখিবা মতুংদা লাকখিবনি। পিয়োংয়াংনা মিসাইল অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মফম খূদিংমক্তা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙমই হায়না ক্লেম তৌখি।

ক্রেমলিননা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল চাংয়েংদু কাইহৌবগী এক্সন অমনি হায়না ফোঙদোকখি অমসুং নাকল খূদিংমক্তা পূক্নিং ফাথননবা অপীল তৌখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা চহী অসিগী অঙনবদা নোর্থ কোরিয়াগী মথক্তা মপূং ফাবা থাউগী অথিংবা থম্নবা তকশিনখি তৌইগুম্বসুং ডিমান্দদু চাইনা অমসুং রশিয়ানা থিংবদগী হন্দোকখি।

**OFFICE OF THE RETURNING OFFICER**
**ELECTION TO THE DELEGATES & BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN CO-OPERATIVE BANK LTD.**
**M.G.AVENUE, IMPHAL.**

**NOTIFICATION**

Imphal dated, the 28th November 2017

No.1/RO/Election/IUCB/2017: In exercise of the power conferred upon me under Clause No. 23 of the rules of Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd. , I Shri T. Pradwipkumar Singh, Returning Officer do hereby notify for election to the Delegates of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd for the term 2017-2018 to 2021-2022.

And, therefore any interested eligible Shareholders who is desirous of being a candidate may file their nomination papers in the Prescribed Form –A along with Form-C to the undersigned within the election schedule below:

| Sl.No. Programme | Date |
|---|---|
| 1. Issue of Nomination paper by the Bank | 01-12-2017 to 06-12-2017 |
| 2. Last date of filing Nomination papers under sealed cover | 09-12-2017(upto 4.00 p.m.) |
| 3. Scrutiny of Nomination Papers(Groupwise) | |
| a) Group A,B & C | 11-12-2017( 11.00 a.m. ) at IUCB, M.G.Avenue. Imphal |
| b) Group D,E & F | 12-12-2017 -do- |
| c) Group G ,H,I & J | 13-12-2017 -do- |
| d) Group K & L | 14-12-2017 –do- |
| 4. Publication of valid/invalid Nomination Papers in the notice Board | 16-12-2017(3.00 p.m) |
| 5. Withdrawal of Nomination Papers if any | 18-12-2017(2.00 p.m.) |
| 6. Publication of eligible candidates | 20-12-2017 |
| 7. Election of Delegates | 04-02-2018(Sunday) 10.00 a.m. to 4.30 p.m |
| 8. Venue of the Election | G.P. Women's College, Imphal |
| 9. Counting of the votes | 05-02-2018(8.00 a.m at IUCB Head Office, M.G. Avenue,Imphal. |

(T. Pradwipkumar Singh)
*Returning Officer*
Election to the Delegates and Board of the Directors of the Imphal Urban Co-operative Bank Ltd.

*HL-B/4247/29,30&1Dec.*

# গনমেনশিংনা মোস্কতগী থোক্লকপশিংদা এটেক তৌবদা ১ শিরে ৪ শোক্লে

ইস্লামাবাদ, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সি) :
ঙরাং পাকিস্টানগী কেপিটেল ইস্লামাবাদতা গনমেনশিংনা সিয়াইট মোস্ক অমগী মপানদা মীওই অমা হাৎখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই মরি অশোক-অপন নংহনখ্রে। থৌদোক অদু সিটি অদুদা ইস্লামিষ্ট প্রোটেষ্ট অমা লোইশিনখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা থোক্লকখিবনি।

মীয়াম্না লাই খুরুম্লবা মতুংদা ইস্লামাবাদকী বাব-উল-ইলম মোস্কতগী থোক্লকপা মতমদা গনমেনশিংদুনা নোংমৈ কাপখিবনি।

গনমেন অনীনা মোস্কতুগী মেইন গেটকী মপানদা খিল্লিবা ৱাটর কূলর তম্না চঙশিনখি অমসুং মখোয়গী গ্লাসশিং ঈশিং থলহনখি। মদুগী তুংদা মখোয়না মোস্কতগী থোক্লক্লিবা মীয়ামদা হন্না-তুনা য়েংদনা নোংমৈ কাপশিনখি হায়না লোকল পুলিসকী ওফিসল কসিম অহম্মদনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুং ইন্না, গনমেনশিংদু মখোঙনা থুংলখি অমসুং নোংমৈ কাপ্পল্লবা মতুংদা চেনখি। মখোয় মনাক নকপা গ্রীনবেল্ট অমদা চঙশিল্লগা মাঙখি। গ্রুপ অমত্তনা এটেক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

পাকিস্টানগী মীশিং মিলিয়ন ২০০ গী চাদা ২০ রোমদি সিয়াইটশিংনি। হৌখিবা চহী ১০ হেনবরোমগী মনুংদা সুনি হার্দলাইনরশিংনা মাইনোরিটি গ্রুপ অসিদা এটেক কয়া চথবদা অমসুং অতৈ কাঙলূপকী ঈরাংশিংদা লৈবাক অসিদা মীওই লীশিং কয়া শিখ্রে। অদুম ওইনমক কেপিটেলদা কাঙলূপ নাইবা এটেকশিং তাঙনা থোকই।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অসি মিলিটরিনা ৱাতেমদুনা পুরকখিবা দীল অমনা ইস্লামাবাদতা চয়োল কয়া চথখিবা লাইনিং লাইশোনদা হকচিনবা কাঙবুশিংগী প্রোটেষ্টশিং লোইশিনবা মতুং নুমিৎ খরা লৈরগা থোক্লিবনি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা পুলিসকা খূৎ থোক্লবদা মীওই ৭ শিখি অমসুং অতৈ চা কয়া শোকখি।

